# কুমজা ২০০৭তা ভোপাল স্পোর্টস একাদেমিদা লৈবা ফংজরকপদগীদি ঐহাকসু রোয়িং মশান্না অসিদা ইশাগী স্পোর্টস করিয়র অমা শেম্বা ঙমজরকখি



ক্ষেত্রিময়ুম রানাপ্রতাপ
রোয়িং শান্নরোয়

ৰারী মখা তারদুনা ইন্টরনেসনল রোয়িং শান্নরোয় ক্ষেত্রিময়ুম রানাপ্রতাপনা রোয়িং শান্নরকপদা মেদল লৌরকখিবা, ভোপাল একাদেমিদা লৈদুনা মশাগী স্পোর্টস করিয়র মথং-মথং শেম্লকখিবগী মতাংদসু অসুম্না পাউদম্লকখি। রোয়িংদা মায় ওনশিল্লকপদগীদি মশান্না অসিগা ঐহাক্না চানবা হায়বদু তপ্না তপ্না ওইরকখ্রে। কুমজা ২০০৩দা পুনেদা তৌখিবা সব জুনিয়র রোয়িং চেম্পিয়নশিপ অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াবা হৌজরকখি। কুমজা ২০০৪দসু পুনেদা ওপন রোয়িং চেম্পিয়নশিপ তাখি। অসুম্না মথং-মথং ওরিষাদা, বেঙ্গলুরুদা তৌখিবা জুনিয়র, সব জুনিয়র নেসনলদসু ঐহাক মণিপুর টিমদা য়াওজদুনা শরুক য়াজরকখি।

অহানবা ওইনা রোয়িং চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়াজরকপা মতমদা ইশাদা ফুল কনফিদেন্স লৈনা ঐহাক শান্নবা ঙমজখিদে। চাশিন্ননবা হোৎনবদসু মতম খরা চঙখি। ঈশিংগী মশান্না ওইবনিনা, অহানবদদি লোইনমক পাঙ্গল ফুদোকপসু ৰানা থোকখি। অমরোমদা ঐখোয়না মণিপুরদা ত্রেনিং তৌরিবা খুমন লম্পাক্কী রোয়িং কেনেল অসিদি শুপ্নগী পুখ্রি মচা অমগুম্বনি। মপান্দা শান্নবা চৎলকপা মতমদদি অচৌ-অচৌবা ঈপাক্তা কম্পিটিসন পাঙথোক্লম্বা উবদা ইশাদা ইস! হায়বা অমদি অদুম পোকখি। কোন্নথংদবুদি অদুমক চাশিন্নবা ঙমজরকখি।

অসুম্না কুমজা ২০০৫দা ভোপালদা পাঙথোকখিবা ২৬শুবা জুনিয়র নেসনল রোয়িং চেম্পিয়নশিপ্তুগীদি মেদল একাউন্ট হাংদোরকপা ঙম্লকখি। ভোপাল চেম্পিয়নশিপ অসিগী কোক্সলেস ফোরগী ইভেন্টতা অহানবা ওইনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌজরকখি। তশেংনা ভোপালদা তাখিবা চেম্পিয়নশিপ অদু মণিপুর মচাশিংগীদি থোইদোক্লা লাইবক ফবা হায়বদু ওইখি। ভোপাল একাদেমিদা, মতমদুদা মৈতৈ মচা সেনিয়র প্লেয়র (কেনোয়িং এন্দ কয়াকিংগী) খরা লৈরম্মী। ঐখোয় মৈতৈ মচাশিংগী পর্ফোর্মেন্সসি ভোপাল স্পোর্টস একাদেমিগী কাঙবুনা হান্ননা খরসু খঙবা মাল্লি। মখোয়গী ওফিসলশিং খরা অমদি ঐখোয়না শান্নবদু কূপ্না য়েংখি।

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**রোয়িংদা মীৎয়েং অমা**

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মেদল লৌখিবা ঐখোয় পুম্নমক অমমমতা ওইনা কন্টেক্ট তৌরকখি। অদুগা অসুম্না হায়রকখি, নখোয়না এম পিদা লাক্লিংলবদি লাকপা য়াগনি। নখোয়গী মশান্নসি ইন্দিয়াগী ওইনা ভোপাল একাদেমিদা নৌনা হাংদোরকপনি। মফমসিদা নখোয়না পাম্বা ইক্কিপমেন্ট পুম্নমকসু লোইনা ফংগনি। খূৎশু-খূৎলায়গা লোয়ননা মতিক চাবা কোচসু লৈগনি। তশেংবমকসু ঐখোয় মৈতৈ মচাশিংসি মখোয়না শেম্বা থোক্কনি হায়না খনবা মাল্লি। ইক্কিপমেন্টকী, কোচকী, শান্নফমগী মতাংদসু মখোয়না ঐখোয়দা শুগায়না হায়রকখি। মদুদা ঐখোয়সু মখা তানা ফজনা শান্ননীংবনিনা সর ঐখোয় শোয়দনা লাকচগে হায়না পাউখুম পীরমখি। মণিপুরদা ঐখোয়না শান্নরিবা মওংদুদি অৰাৎপগী অৰাৎপা ঙাক্তনি। ষ্টেটকী ওইনা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা খূৎশু-খূৎলায়শিং অদুসু মতমসিগা চানবা ওইদ্রে। শান্নবগী ইক্কিপমেন্টশিং অসিসু মতমগী মতুংইন্না চেঞ্জ অদুম লাকই। অদুগা খূৎলায়সিসু শুনদবনিনা মণিপুরদদি হি অমদা ঐখোয় ২০ মুক্না থৌই। মদুগী খুদোংচাদবা কয়াদুগী খল্লগা ৰাটর স্পোর্টসকী ঐখোয় ১২দি ভোপাল একাদেমিদা লৈরগা শান্নরুরসি হায়না লেপ্লখি।

অসুম্না কুমজা ২০০৭কী জুন থাদা ঐখোয় ১২ ভোপাল স্পোর্টস একাদেমিদা জোইন তৌজখি। প্লেয়রশিং অদুদি মোনালিশা, হেম্বা, বিমোলা, ববিতা, অরুনা, থোইবী, বীদ্যারানী, অবা, অমরজিৎ, নাওবী, সনাজাওবা অমদি ঐহাক্না ঐখোয়সিনি। অদুগা, ভোপালসিদদি তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াগী মণিপুরী মচা ময়াম অমসু লৈরম্মী।

অমরোমদা, ভোপাল একাদেমিদা ঐহাক্না লাকপা মতমসি ক্লাস টেন এগজাম পাস তৌবদা ঙাইরি। অদুনা, একাদেমিদা লৈরগা শান্নবগা লাইরিক্কা অনী অসি মান্ননা চৎমিন্ননবা অমুক হোৎনজরকখি। ভোপালদা লাকখিবদগীদি রোয়িং মশান্নসু মুন্না খঙবা ঙমজরকখি। মফমদুদা জোইন হেক তৌবগা ঐখোয় লোইনমক এ বি সী দিদগী অমুক নৌনা তম্বীবা হৌরকখি। মদুদা খেন্নবা ময়াম অমসু খঙলকখি। খূৎশু-খূৎলায়সিসু থা অমা মখায়রোম পায়হনখিদে। ঐখোয়না পায়দুনা শীজিন্নগদৌরিবা খূৎশু-খূৎলায়শিং অদু করম্বা মওংদা শীজিন্নগদগে হায়বদু হান্না তাকপী-তম্বীখি। হেক্তা পায়দুনা শান্নহনখিদে। থিওরিদা হান্না মচা খায়না অমমমতা ওইনা তম্বীরকখি। টেক্নিকেল প্লে ওইনা শান্ননবসু তাকপীরকখি। পূম্নমক্তুগী নোলেজ ফজনা লৈরবা মতুংদা খূৎশু-খূৎলায়শিং পায়হল্লকখি। কূপ্না নৈনরবা মতুংদা পায়দুনা শান্নরকপা মতমদদি ঐখোয়না মণিপুরদা হান্না শান্নরকখিবা অদুদি পৱার প্লেনি হায়বসিসু খঙবা ঙম্লকখি। ঐখোয় মণিপুর মচাশিংগী হকচাং ফিট ওইবা, স্পোর্টিব ওইবা তোপ তোপ্না মগুন খরা পোকপদগী য়াওজরকপদুনা ঐখোয়না অতোপ্পগা লম্বা তৌদুনা শান্নবা ঙম্লকপনি হায়বসি ত্রেনিং মথং-মথং তৌরবা মতুংদদি হেন্না ময়েক শেংনা খঙলকখি।

-মথং-মথং





## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১২

১) মহাক কুমজা ১৯৮৪ ফাওবা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মসিনা মহাক্কী তরুক্লকশুবা ওইনা শরুক য়াখিবা ওলিম্পিকনি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৪গী ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ১৯শুবা তাখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২) অনীশুবা লাঞ্জাওদা ঐহাক চহী ১০ শুরে। লাঞ্জাও অদুদা ঐহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অনীমক লৈখিদ্রে। মখোয়না লৈখিদবগী মরমদি চাবা ফংদবা অমদি ঈশিং-নুংশিৎ য়াম্না ঈংবননি। লাঞ্জাও লোইরবা চহী ১০গী মতুংদা ঐহাক্না ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা এথলেটিক্সতা সনাগী মেদল ফংখি। ঐহাক কনানো?



৩) মহাক্না দিস্কস লংবা তম্বদা "The Blue Danube" হায়বা ঈশৈ অদু তাহল্লগা ঈশৈ অদুগী তানগা লোয়ননা দিস্কস লংবগী হকচাং অদু সর্কল মনুংদা রোটেট তৌবা হায়বদি হকচাং লৈবা তম্বীখি। মহাক দিস্কস চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?

৪) ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্কী মতাংদা মখাগী ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে? "I hope to lead the olympics to success with all of you."

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## থাঙ-তাগী ট্রেনিং কেম্প লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস):
কংলৈপাক থাঙ-তা কলচরেল একাদেমি (এল টি টি সী এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ২দগী হৌদুনা ঙাইখোঙ খুনৌ কম্যুনিতি হোলদা চথরকপা নুমিৎ ৫নিগী ওইবা থাঙ-তা ট্রেনিং কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে।

ট্রেনি কেম্প লোইশিনবগী থৌরমদা ঙাইখোঙ খুনৌ লিটল ফ্লাৱর ক্লবকী সেক্রেটরী এল শমুমচা, ক্লব অসিগী কেসিয়র এল ইবোচৌবা, ইম্ফাল ইষ্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন নাওন মৈতৈ অমদি ঙাইখোঙ খুনৌ মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরী এম লৈবাকলৈনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থাঙ-তা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা থাঙলোই নুপামচা ৫০ অমদি নুপীমচা ৩০ রোম্না শরুক য়াখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা পান্দমদি হৌজিক নোংমা কাঙদনা নুপীমচাশিংদা চথরিবা ওইপী নৈবিবা অসিদগী মশা মথন্তনা ঙাকথোকচনবা, মশান্না অসি হৈদুনা মশাগী খুদোংথিবা মতমদা ঙাকথোক্লবা অমদি থকশি-খাসি অমদি থৌগল্লো খঙবা মীওই অমা ওইবা ঙম্মী।

## মুম্বাই সিটিনা জমসেদপুর থোইদুনা ৪শুবা থাক কল্লি

Match on 7 Feb. (Fri) 2020
NE UNITED Vs KERALA

মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লিগকী ঙসি শান্নখিবা ১৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মুম্বাই সিটি এফ সিনা জমসেদপুর এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা থাক কনবা ঙল্লি।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা মুম্বাই সিটি এফসি মেচ ১৫ শান্নখিবদা মেচ ৬ মায়পাক্তুনা মেচ ৫ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৪ মায়থীদুনা পোইন্ট ২৩ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা মরীশুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। নাকল অমরোমদা টিম ১০গী টুর্নামেন্ট অসিদা মেচ ১৫ শান্নখিবদা শুপ্নগী মেচ অমখক মায়পাক্লগা মেচ ৩ দ্রো চৎখিবা অমসুং মেচ ১১ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৬ খক ফংলগা টেবলগী মমৈদা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা জমসেদপুর এফ সিগী নো একোষ্টানা পেনাল্টি অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অহানবা হাফ পাঞ্জল অদুগী মখাতাবা লৈখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মেচকী ৬০শুবা মিনটতা মুম্বাই এফ সিগী দিএগোনা পীখিবা পাস অমদা এ সর্মিটিনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। লম্বা মান্ননা শান্নরল্লুবা মতুং টিম অনীম্মক মায়পাকপগী পাঞ্জল অদু য়াম্না কন্না থীবা হৌনরকখি।

মেচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লাস্থোরকখি। ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা যুম্বু টিম ওইখিবা মুম্বাই সিটি এফসিগী পি চাওধুরিনা পীখিবা বোলদা মণিপুর মচা বিদ্যানন্দনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদু ২-১দা থোইখি।

## মণিপুরগী জিট কুনে-দো টিমনা ওল ইন্দিয়া চেম্পিয়নশিপ্তা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ফংবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস):
মমাঙ থাগী ৩১দগী থা অসিগী ২ ফাওবা চান্দিগরগী মোহালিদা লৈবা ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখিবা ৩শুবা নেসনল সব জুনিয়র, জুনিয়র, সিনিয়র অমসুং মেন এন্দ ৱিমেন ফেদরেসন কপ জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী টিমদা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে হায়না জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী টিম অসিনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা পুন্না গোল্ড মেদল ৩২, সিলভর মেদল ৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১ থারগা পুন্না মেদল ৩৬ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখিবনি।





গোল্ড মেদল ফংখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগী চহী ১২ মখাগীদা এন বুবুসনা (কে জি ২২), এস দয়াবন (কে জি ৩৬), কে লনচেনবা (কে জি ৩৮-গোল্ড ২-ফাইট অমসুং ফোমস) অমসুং কে য়োহেনবা মঙাং (কে জি ৩৮ মথক)নি। চহী ১৪গী কাংলুপ্তা টি ঐচ রোবার্দ (কে জি ৪২), এন লনচেনবা (কে জি ৪৩), এ অবিত (কেজি ৫১) অমসুং সি ঐচ রোবাস (কে জি ৫১ মথক)নি।

চহী ১৭কী কাংলুপ্তা এস জেক্সন (কেজি ৫০) অমদি চহী ১৯গীদা সী ঐচ নিংথেম (কে জি ৫০) অমসুং এল দিনেস (কে জি ৫৫)নি।

নুপীগী চহী ১২গীদা সনাবম দাইনা (কে জি ৩৮), চহী ১৪গীদা নিঙোললৈমা চনু (কে জি ৪০), এন জি সনিয়া (কে জি ৪৩) অমসুং লাইশ্রম লিম্থোই চনুনা কে জি ৪৯গীদা ফাইট অমসুং ফোম ইভেন্টতা গোল্ড ২ ফংখি।

চহী ১৭কী নুপীমচাগীদা এস চম্পনা চনু (কে জি ৪৯) লোয়ননা লাইশ্রম অবেথোই চনুনা চহী অদুমক্কী কেজি ৫৪গীদা ফাইট অমসুং ফোমদা গোল্ড ২ লৌখি। চহী ১৯দা প্রিয়া লোইতাম (কে জি ৬৫) অমদি এল গিতাঞ্জলিনা কে জি ৭০দা ফাইট অমুসং ফোমদা গোল্ড ২ ফংখি।

ফুল কোন্টেক্টতা মণিপুরগী গোল্ড ৯ ফংখিবা নুপামচাশিং অদুদি সী ঐচ ইষ্টেলিন, কে ঐচ হ্বাইট, কে ভিক্টর, কে ঐচ জয়কুমার, দল্লীয়ু রাজু, কে ঐচ কুমারসানু, কে ঐচ চিংখেঙানবা লোয়ননা নুপীমচাগীদা সী ঐচ চনচন অমসুং সী ঐচ সয়ানি। ওফিসল ওইনা এল রাজেন (কোচ) অমসুং ডা. এম ইবোমচা (ওফিল)নি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

## কেনক্রে এফ সী মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

বেঙ্গালুরু, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী):
কর্নাটকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা চথুরিবা হিরো ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মহারাষ্ট্রগী কেনক্রে এফ সীনা বেঙ্গলোর য়ুনাইটেদ এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখিবা মরম্না মিনট ৪৫গী শান্নবগী মতম অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। পনবা য়াই, কেনক্রে এফ সী ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা মেচ ৪ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা গ্রুপ 'বি'গী অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা বেঙ্গলোর য়ুনাইদেট এফ সী মেচ ৪ শান্নবদা মেচ অমখক মায় পাকখিবা, মেচ অমা দ্রো চৎলবা মতুং মেচ অনী মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৪ ফঙদুনা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা ৪৬শুবা মিনটতা কেনক্রে এফ সীগী মায়কৈদগী আশা কুমারীনা একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। এটেক মখা তানা চথরকখিবা কেনক্রেগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় তেচি আরকুংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ২-০দা বেঙ্গলোর য়ুনাইটেদপু মাংজিল থাখি। ৮৬শুবা মিনটতা বেঙ্গলোরগী মায়কৈদগী অমুলিয়া কমলনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদু লোইশিনখি।

গ্রুপ 'এ'গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন টামিল নাদুগী সেথু এফ সীনা বরোদা ফুটবোল একাদেমিবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অদুগী পোইন্ট টেবলদা ক্রিপসাগী পোইন্ট ১৫গী মথংদা পোইন্ট ১২ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তারগা সেমিফাইনেল য়ৌখি।

## ইন্দিয়াগী পুরব রাজা অমসুং রামকুমার রামানাথন সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে, গুনেশ্বরন মায়থীহৌরে



পুনে, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী শান্নরোয় পুরব রাজা অমসুং রামকুমার রামানাথন মায়পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। সিঙ্গলসকী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রনিস গুনেশ্বরন ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা নংখ্রে।

ইন্দিয়াগী দবলসকী শান্নরোয় অনী পুরব রাজা অমসুং রামকুমার রামানাথননা ঙসি শান্নখি বা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথিয়ু এবদেন অমসুং ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় লিএন্দর পেজপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-১দা থোইবা ঙমখি। রাজা অমসুং রামানাথননা সেমিফাইনেলদা ইজরেলগী জোনাথন আর্লিক অমসুং বেলারসকী এ বাসিলেবস্কিগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা নুপাগী দবলসতা স্বিদেনগী এ গোরান্সেন অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী খৃষ্টোফর রুংকাটনা ফ্রান্সকী পেয়র এন্টোইন হোৱাংবু ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা মোনাকোগী আর এমিদিও অমসুং জর্মনিগী এ বেজিমেনগা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইহৌখিবা প্রনিস গুনেশ্বরন ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় সুন ৱু কোনগী মখুত্তা ৩-৬, ৬-৭(৫-৭)তা মায়থীবা নংদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপাগী সিঙ্গলসকী চেলেঞ্জ লোয়শিনখ্রে।

## ইম্ফালদা লৈবা টাকয়েল সাই এনএস এন ঈ সিদা হোক্কিগী হায় পর্ফোমেন্স সেন্টর লৈরগনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা হোক্কি মশান্নদা জুনিয়র অমসুং সবজুনিয়র থাক্তা লৈরিবা শান্নরোয়শিং হেন্না অফবা থাক্তা লৈহন্নবগীদমক ষ্টেট ওফ দি আর্ট ফেসিলিটি লৈবা সেন্টর কয়া হাংদোকপা অমসুং হান্ন লৈরম্বা সেন্টরশিং থাক ৱাংখৎনবগীদমক স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং হোক্কি ইন্দিয়ানা পুন্না ঙসি লোঞ্চ তৌখিবা খোংথাং অমদা মণিপুর ষ্টেটকী ইম্ফালগী টাকয়েলদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, নোর্থ ইষ্ট সেন্টরদা নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা হায় পর্ফোমেন্স হোক্কি সেন্টর অমা লৈগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা জোন ৭তা থল্লিবা হোক্কিগী হায় পর্ফোমেন্স সেন্টরশিং অসিনা কুমজা ২০২৪ অমসুং ২০২৮গী ওলিম্পিক গেমসশিংদা শরুক য়াবা ঙম্মনবগী পান্দমদা শেমগৎপা প্রোগ্রামগী মনুং চনবনি। হায়রিবা সেন্টর ৭মক খেল্লো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা পায়খৎপনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর জেনেরল সন্দিপ প্রধাননা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা জোন ৭তা লৈগদৌরিবা হায় পর্ফোমেন্স হোক্কি সেন্টরশিং অসিদা নহা ওইরিবা হোক্কি শান্নরোয়শিংনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা এদভান্স ওইবা ট্রেনিংগী কাংলোনশিং অদু ফঙহনবতা নত্তনা শান্নরোয়শিং অদুগী মেন্টল ষ্ট্রেঙ্ককী লমদসু অকনবা মীৎয়েং চঙগদৌরি হায়খি।

অমরোমদা হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মহমদ মুষ্টাক অহমদনা ফোঙদোকখিবদা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অসি শেমগৎপনা ইন্দিয়াগী সিনিয়র টিম শেম্বদা য়াম্না চাওনা কান্নবা অমা ফংলগনি হায়খি।

১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেস্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

## চিরু এফ সীনা সিঙ্গরবোন এফ এবু ৩-০দা থোইখ্রে

জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ০৬(ঐচএনএস):
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লেগ্রাউন্দা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা চথরিবা '১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা চিরু এস সীনা সিঙ্গরবোন এফ এবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুদা সিঙ্গরবোন এফ এনা টোস ঙমদুনা সাইদ খল্লগা চিরু এফ সীনা বোল কাওবা হৌখি। মেচকী অহানবা হাফতা চিরু এস সীনা সিঙ্গরবোন এফ এগী মায়কৈদা খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি।

মেচকী ৯শুবা মিনটতা চিরু এস সীগী সোনৈখুমনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাংজিল থাখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মেচ অসিগী অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা সিঙ্গরবোন এফ এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিবঙৈ চিরু এস সীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈতনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

মেচকী ২শুবা হাফতা চিরু এস সীগী রেংপারথাংনা শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী ২শুবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখি। লোয়ননা টিম অদুগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা সোনৈখুমনা ৭৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা ৩-০দা থোইখি।

## য়ু টি এল দব্লিয়ু দি, এস দি সী অমদি অর্বিন এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস):
দি এস ইন্টরপ্রাইজেসনা স্পোন্সর তৌদুনা য়ুথ ইন্টিগ্রেসন ক্লব কৈশামথোং মনীং লোংজম লৈকায়না শীন্দুনা ৱাই আই সী শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা হৈস্নাম নিলকমল (মোবি) মেমোরিএল য়ু-৪০ ফোর এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ু টি এল দব্লিয়ু ওনা য়ু কে সী সী এলবু পাঞ্জল ৫-২দা, এস দি সী শমুরৌনা ঐচ এল এফ সী হোদামবু পাঞ্জল ৩-১দা অদুগা অর্বিন এফ সীনা গোল্ডন এফ সীবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু টি এল দব্লিয়ু ও অমদি য়ু কে সী সী এল লম্বা তৌনখি। মেচ অদু য়ু টি এল দব্লিয়ু ওনা য়ু কে সী সী এলবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা এস দি সী অমদি ঐচ এল এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস দি সীনা ঐচ এল এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা অর্বিন এফ সী অমদি গোল্ডন এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অর্বিন এফ সীনা য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা গোল্ডন এফ সীবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।